থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# আইদিয়া অমা লৈরবরা? হৌজিকমক থবক হৌরসি

চহী খরগী মমাঙদা, মঙা তরুক ওইরম্লগনি চপ চানা নীংশিংদ্রে, লাইরিক অমখক পাখি। 'রাঘব বহল'না ইবা 'সুপর পাৱর' হায়বা লাইরিক অদুনি। মতম অমগী সুপর পাৱর লমজেন চেনমিন্নরম্বা রুসিয়া-অমেরিকাগী নৎত্রগা হৌজিক্কী নায়তোম সুপর পাৱর, অমেরিকাগী ৱারী নত্তে। ২০৫০ অদুৱাইদা ওইরক্কদবা, 'সুপর পাৱর' অদুগী ৱারীনি। ফিক্সন নত্তে, নোভেল নত্তে। ওইরোইদবা ৱারী অমা শাগৎলগা পংই ইশিনবা, হোৎ-কেক-সেল-তৌনবা রেলৱে ত্রাভেল্লরশিংনা পানবা লাইরিক মখলদু নত্তে। মালেমগী ইকনমি নৈনরগা, হৌজিক ওইরিবা ইকনমিক ত্রেন্দ য়েংলগা, রাঘব'না হায়, 'লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা অমেরিকানা মকোক থংদুনা চেল্লিবা ইকনমিক সুপর পাৱরগী লমজেলশিংদা তানখৎনবা চেল্লক্কদৌরিবসি চিনা অমদি ইন্দিয়া অনী অসিখক্তনি। অশেংবা লমজেল্লোয় অনীদি-ইন্দিয়া অমসুং চিনানি।' ৱর্ল্দ ত্রেদ ওর্গনাইজেসন শেমখিঙৈ, মালেমদা ন্যু ইকোনোমিক ওর্দর অমা শেমগৎলকখিঙৈ, মাগী মাগী লৈবাক্তা অনৌবা ইকোনোমিক পোলিসী চৎনরকখিঙৈ- হোংলক্লিবা অওনবা কয়া অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা কুপ্না নৈনরগা, অইবসিনা ৱারোইশিন ওইনা হায়...২০৫০ দদি ৱর্ল্ডগী অনৌবা সুপর পাৱর 'চিনা'না শোয়দনা ওইরনি, অনীশুবদা অমেরিকা, অহুমশুবদা ইন্দিয়া... ইন্দিয়ানা অনীশুবা মফম কল্লবসু য়াই। অদুবু তান্নরিবা লমজেল অসিদা চেন্নরিবসি চিনানা থেবগী খোঙজেলদনি অদুগা ইন্দিয়ানা থেঙ্গুগী খোঙজেলদনি...। লাইরিক অসি পারুবদগী খল্লকখিবনি-ইরিবসি য়ুম্ফম য়াওদনা পঙই ইশিনবদি নত্তে, অনীসিদা লৈরিবা 'পোটেন্সিয়েলিটি' অদু উংথোকপনি। ঐনাখনখি, ঙসিসুখল্লি- তৌবা ঙম্বগী পোটেন্সিয়েল অদু লৈরগসু, ইন্দিয়াগী ওইনদি খোঙজেলসিদা খুরৌ ওইগদৌরিবসি 'অমোৎপা রাজনিতি, করপসন' অসিনি।

অদুবু ২০১৪, মেগী লোইশিল্ল-কপদা, দিল্লিদা অনৌবা লৈঙাক অমা থুংলখি। চাউখৎপগী লমজেলসি অনৌবা মায়ওন হোংলকখি। লুপা ক্রোর লাখ কয়াগী শেঞ্জা-থুমজাগী অনৌবা ৱাথোক থোল্লকখিদে। মখল কয়াগী অনৌবা থৌশিল পায়খৎ-লকখি। থৌশিলশিংদুগী মনুংদা অমনি, ঐগী থম্মোয়দা য়ৈরখিবা- 'ষ্টেন্দ অপ ইন্দিয়া, ষ্টার্ট অপ ইন্দিয়া'। মোদিনা হায়, করিগুম্বা আইদিয়া অমনা নথম্মোয়দুদা য়ৈরবা তুমীন ফমদুনা লৈগনু, হৌগৎলু, থবক হৌ খুদক্তা।

ৱাহৈসিনা ইনশিল্লকই থম্মোয়-সিদা- কতন লাই চুগনু, ৱাখল মোন্দ্রং চুগনু, ৱারেপ লৌ, থবক তৌ। বি প্রেগমেটিক এন্দ প্রাক্টিকেল। ৱাখল লীশাং থারুরে, ৱারেপ্তুসু লৌরুরে। অদুমকপু, ঙমদে থবক হৌবদি। লায়খায় তাবা ঙমদবা ৱাখলদুগী পাউদমনি, ঙসি তমগে খল্লুবা 'থম্মোয় পাউদম' কাখলসিদা।

শেল থোক্লবা, হিংনবৈ লম্বী ওইনবা থবক অমা তৌবা (হৌবা) হায়বসিদা খ্বাইদই মথৌ তাবসি 'শেন্থং (ইনভেষ্টমেন্ট)' হায়বসিনি। মশানা মশাবু থবক পীজবা (সেল্ফ এমপ্লোয়মেন্ট) হায়বসিনা লায়রবা কোকহন্নবগী খ্বাইদই লায়বা পাম্বৈনি হায়বসি লৈঙাক্লসু খঙবা কুইরবনি। সেল্ফ এমপ্লোয়মেন্ট স্কিম কয়া পায়খৎলক্লিবা কুইরক্লে। অমত্তা মায় পাকখিদে। মরম? পুকচেল শেংদবা! করপসন! শেন্থং পীবা মী অমদি শেন্থং লৌরিবা মী অনীমক্তা।

মঙলাক্লনি খন্দুনা তূমদবা কনাসু য়াওনদবগুম, করপসন তৌনি খন্দুনা গভর্ণমেন্টকী পোলিসী প্রোগ্রাম তোকথোকপসু য়াবা নত্তে। হৌজিক্তি মীয়ামগী ৱাখল হোংলে, লৈঙাক হোংলে, থৌশিল হোংলে। ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট- ইন্দিয়াগী অনৌবা দিভলপমেন্ট মেছিন অসিগী মরুওইবা খুৎলায়নি। হৌজিক, চাউখৎপা পাম্বা মীগীদমক্তি, ইনভেষ্টমেন্ট (শেলগী শেন্থং) অৱাবা অমা ওইদরে। অৱাবদি, থবক অদু তৌদৌরিবা মীদুগী পুকচেল শেংবা/ শেংদবই ৱাফম অদুনি। ফাইনান্সিএল ইনষ্টিট্যুসন অমগা চহী কুন্থা শম্নরকপই এক্সপরিয়েন্সকী ৱাফমসিমা খঙলকই- ঐখোয়গী খ্বাইদই চাউবা অশোয়বসি বেঙ্ককী ওফিসর অমদা 'ঐ লোন অমা পাম্মী, করম্বা লৌবা য়াগদগে' হায়বা ৱাহং অসিনি। বিজিনেস অমগী দি পি আর (দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট) কা বিজিনেসকী প্রোগ্রেস'কা শম্নদবা লমদমনি।

অদুবু, ঐখোয় হৌদবদি য়াদে অনৌবা থবক অমা। হিংদবা য়াদে শিংনবা ময়াম অমগা। অপাম্বদু ফংনবা, তৌনিংবদু তৌনবা-চৎকনুসি ঐখোয় পুকচেল শেংদবা মায়থীরবশিংদুনা চৎলম্বা লম্বীদুদা। থবক অদু হৌনবা য়াইফবা পুংফম (মহুরত) অমা ঙাইগুমসি। পাঞ্জিনা পীবা নুমীৎ-থা থিগুমসি। ঙসি অমদি হৌজিক হায়বসিদগী হেন্না ফবা নুমীৎ-থা পুংফম অমা লৈতবনি। নীংশিংসি মাইল লীশিং শাংবা খোঙচৎ অমগী অহানবা খোঙকাপ অদু থাংদনা পন্থং য়ৌবা হৌনদে। হিংনবই শিনফম ওইনবা, অতোপ্পা কয়াবুসু হিংহন্নবা থবক অমা মায় পাক্লা তৌনবা কানবা য়াদ্রবা খোঙথাংশিং, অঙ্ক অমগী ফোর্মুলাগুম পুম্নমক্লা য়ানরবা, হাইফেৎ নীংশিংবা নুংঙাইনি।

ইশাগী হোৎনজমল :- তৌগে নীংবা থবক অমা, কৈদৌনুংদা অতোপ্পা কনা লাক্লুনা হৌবীররোই। খ্বাইদই লুবা তানফমসি থবক হৌবা অদুনি। হোরেন হয়েং ঙাইদবা। অলফ্রেদ হিতা কোক'না হায়রম্মী, 'থবক হৌবা হায়বসি থবক তংখায় লোইরবনি'। হৌগদবনি ইশানা।

থৌরাং য়াৎপা :- হৌরে হায়দুনা মথুম-মরাং হৌগনু। য়ৌনিংলিবা পন্থংদুগী লম্বীসু য়াৎকদবনি ইশানা, অঙৌবা চেবাঙদা নৎত্রগা কম্প্যুটরদা ফাইল ওইনা। ব্লু-প্রিন্ট হায়বসি ৱাখলগী মমি অদুগী চেদা উবা শক্তমনি।

অখঙ-অহৈ তান্নবা : ইশানা ইশাদা চপ য়ুংনা থাজরবা, ৱাখল অদু প্রাক্টিকেল ওই খল্লবা, লমদুদা এক্সপার্ট ওইরবা অমগা পূক্নিং ৱাখল হোদোক্ল গদবনি, পাউতাক লৌগদবনি। পোজিটিব ওইদবা, নেগেটিব মাইন্দ-সেৎ লৈবা মীগা ৱারী শারোইদবনি, পোক্ত্রিঙৈ অঙাং হাৎপগী থৌওং তৌরোইদবনি।

থৌরাং থবক ওন্থোকপা :- মশানা মপুম ফাজরবা থৌরাং অমত্তা লৈতে, লৈখিদে, লৈরক্লোই। অহান অকোন নাইনা শেমখিবা থৌরাংদু মতাং চানা, মতম চানা পাঙথোক্তুনা চৎখিবা ঙম্বদুনি মায় পাকপা, অফবা থৌরাং (প্লান)। ঐনা পাম্বা/ তৌগে নীংবা থবক কয়া তৌবা হৌরবগে হায়বদু নত্তে মরুওইবদি। হেন্না মরুওইবদি থবক কয়া তৌবা লোইরবগে হায়বদুনি।

'হৌরবদি লোইশিনসি'- থম্মোয়গী অশেংবা পাউজেলনি।




লৌশিং পুক্কে

# ইমুংদা অঙাং মনাক্তা মৈখু শীজিন্নবা

কনাগুম্বনা ইমুংদা মৈখু শীজিন্নরবদি ইমুংগী অঙাং-শিং মশা ফৎতে অমসুং তোয়না নাগল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ সিন্সিনাতিগী এসলি মেরিয়ানোসনা হায়খি, চুরূটকী মৈখুদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা কেমিকেল কয়ামরুম য়াওই। মরম অদুনা ইমুং অমত্তদা মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংগা পুন্না লৈমিন্নবা মতমদা অঙাংগী মশা শোকচিল্লকই।

নেসনেল সর্ভে ওফ চিলড্রেন'স হেল্‌ঠকী শরুক অমা ওইনা কুমজা ২০১১-২০১২ দা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংদগী হৌরগা মশাগী চহী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী মরমদা কুপ্না থিজিনখি। মদুদা মৈখু শীজিন্নবা মীওইগা ইমুং অমত্তদা পুন্না লৈমিন্নবা অঙাংশিং মশা ফত্তে অমসুং তোয়না নাগল্লি হায়বা খঙলকপনি। মরম অদুনা অঙাং লৈবা ইমুংদা য়ারিবমখে মৈখু শীজিন্নরোইদবনি হায়বা পাউজেল অসি শন্দোক্তুনা মীপুম খুদিংমক ৱাখল তাহনবা মথৌ তাই হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি হন্দক্তা বালটিমোরদা পাঙথোকখিবা পেদিয়াট্রিক একাদেমীক সোসাইটিজগী মীফমদা পুথোরকখিবনি।

মৈখু শীজিন্নবনা হকচাং শোকহল্লি হায়বসি পুম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। বিরি ওইগেরা, হূকা ওইগেরা মৈখুবু শীজিন্নরবদি হকচাং অদুম্মক শোকই। অমেরিকান লং এসোসিএসন (এ এল এ) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, চুরূটতা তোঙান তোঙানবা মচল ৬০০ লোম য়াওই। হায়রিবা পোৎলমশিং অদুনা মৈ চাকপা মতমদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেল ৭০০০ হেন্না থাদোরকই। হায়রিবা কেমিকেলশিং অদুগী মনুংদা ৬৯ লোমদি কা-হেন্না হকচাং শোক্লিংঙাই (পোইজনস) ওইবা মরম্না কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই।

নেসনেল কেন্সর ইনষ্টিট্যুটকী রিপোর্ট অমনসু চুরূটকী মৈখুদা কার্সিনোজেন, টোক্সিন অমদি হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম য়াওই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী রিপোর্টনা হায়খি, চুরূটতা নিকোটিন কৌবা ৱাখল খনবগী মওং মতৌ হোংহনবা ঙম্বা দ্রগ অমা য়াওই। কনাগুম্বা মীওই অমনা চুরূট হেক থকপগা মীৎকুপ খরগী মনুংদা নিকোটিননা ব্রেন য়ৌথ্রগা সেন্ট্রেল নরভস সিষ্টেমদা য়ৈবদগী হকচাং কনখৎপা মালহল্লি। অদুবু ঙহাক্কী মতুংদা হকচাং চোকথরকপগা লোয়ননা চুরূট থক্লিংবগী অপাম্বা পোকহল্লকই। মতৌ অসুম্না নিকোটিনদা লাইচুবা মীশক অমা ওইরক্তুনা মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা ঙমদবা মীশক হায়বদু ওইরকই।

অমরোমদা, চুরূটকী মৈখুদা য়াওবা কেমিকেলশিংনা লংস শোকহনবদগী নিংশা-শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াই। কনাগুম্বা মীওই খরদদি লংসতা য়াওবা নুংশিৎকী খাউ অমাঙ-অতা থোক্তুনা ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পলমোনরি দিজিজ (সী ও পি দি) ওইহল্লকপা য়াওই। লংসকী ট্রুবতা য়াওবা লাইনিং শোকচিল্লকপদগী ক্রোনিক ব্রোংকাইটিস ওইহল্লকপসু য়াই। মতম খরা হেন্না শাংনা মৈখু শীজিন্নরগনা লংস কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না অয়াম্বা মতমদা মৈখু শীজিন্নবা মমা-মপাগী মনাক্তা তোয়না লৈবা অঙাংশিং লোক থুংগল্লি, নিংশা-শ্বর হোনবদা খেবগী মখোল থোকই, নাকোং লাইখুন তৌগল্লি অমসুং ন্যুমোনিয়া অমদি ব্রোংকাইটিসকী রিস্ক ৱাংই হায়রি।

মৈখু শীজিন্নবনা কার্দিওভাস্ক্যুলর সিষ্টেম মাঙ তাকহল্লি। নিকোটিননা হকচাংদা হেক য়ৈবগা ব্লদ সুগর ৱাংখৎলকপা মরম্না হকচাং কনখৎপা মালহল্লি। অদুবু ঙাইহাক্কী মতুংদা হকচাং চোকথরকপা মরম্না হেন্না হেন্না চুরূট থক্লিংবগী অপাম্বা পোকহল্লি।

জর্নেল ওফ অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসন (জে এ এম এ) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মৈখু শীজিন্নবনা ঈ উতোং খুজিলহল্লি, ব্লদ প্রেসর ৱাংহল্লি, ঈ উতোং মরিল চৎহল্লি অমসুং কোলেষ্টেরোলগী চাং হেনগৎহল্লি। মসিনা মরম ওইরদুনা হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

চুরূটকী মৈখুদা য়াওবা কেমিকেলশিংনা উনসাগী মওং মতৌ হোংহনবগা লোয়ননা কুচু শেংহন্দে, উনশা খুইহল্লি অমসুং থুনা অহল ওইশিলহল্লি। মতম শাংনা মৈখু শীজিন্নবনা য়ারী-য়াখোঙগী লায়না ওইহল্লকপগা লোয়ননা শ্বর মনম নমথীহল্লি। চীন, লৈ, খৌনাও, ইসোফেগস, কিদনি অমদি পেনক্রিজদা কেন্সর তৌরকপা য়াবগী রিস্কসু হেনগৎহল্লি।

মৈখু শীজিন্নবনা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল শোন্থহনবা মরম্না নুপা-নুপী য়ুম্বান পুন্সিদা অকায়বা থোকহল্লি। নুপীনা মৈখু শীজিন্নরবদি চহী নৌনা থাগী খোঙকাপ লেপখিবগা লোয়ননা সর্ভাইকেল কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। মীরোনবী নুপীশিংনা মশামক মৈখু শীজিন্নদ্রবসু চুরূট থকপা মীগী মনাক্তা লৈরবদি অশোয়বা অঙাং পোক্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।





# দিষ্ট্রিক্টশিংদসু রিপব্লিক দেগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস) : ইন্দিয়ানা মনীং-মখা তন্নবা তুংদা মশানা লৈঙাকচরকপগী ৬৮শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরম ঙরাং লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাক্লা শন্না পাঙথোক্লখ্রে। মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিং, সব-দিবিজনেল হেদক্বার্টরশিংদসু পাঙথোক্লবগুম থৌরম অসি নৌনা শেন্লবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি অহানবা ওইনা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্লা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবদা য়াওখিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টতসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা ৬৮শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা লোনা য়াদবা লালহৌলূপশিংনা অথিংবা থমদ্রিঙৈ অমসুং ককচীং সব-দিভিজনেলগী থাক্তা লৈরিঙৈদা এস দি ও ককচীংনা শীন্দুনা মার্চ পাষ্টক চাংদম্নবদা মীয়াম হুপ্না শরুক য়ারমই। অদুবু লালহৌলূপশিংনা থিবা থমখিবদগী চহী ২০ হেন্না এস দি ও ওফিসতা মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকখি। মণিপুর লৈঙাক্লা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট শেমখ্রবা তুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ইহান হানবা রিপব্লিক দেগী থৌরম মশীং য়াম্লবা মীয়াম থোরক্তুনা য়েংনখি।

থৌরম অদু ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী অহানবা দেপ্যুটি কম্মিস্নার টি ঐচ কিরনকুমার (আই এ এস)না চীফ গেষ্ট ওইদুনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখত্তুনা হৌদোকখি। এদ দি পি ও শুগনু অথোকপম রোমেন্দ্রো (এম পি এস)না পেরেদ কম্মান্দর ওইদুনা থৌরমগী গার্দ ওফ ওনর পীখি।

মণিপুর পুলিস, এক্স-সার্বিসমেন, কোলেজ, স্কুল, এসোসিএসন অমসুং কলচরেলগী য়াওনা অপুনবা কন্টিজেন্ট ৩৫না শরুক য়াদুনা মার্চ পাষ্টকী অথোই অহেন চাংদম্নখি। চাংদম্নবা অদুদা জৱাহর নবোদয়া বিদ্যালয়া (জে এন ভী) উমাথেলগী নুপামচাগী কাঙলূপনা অহানবা, জে এন ভী উমাথেলগী নুপামচাগী কাঙলূপনা অনীশুবা অমসুং খা মণিপুর কোলেজ এন সী সীগী কাঙলূপনা অহুমশুবা তাখি। মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুমশিং লান্থোকখি অমদি শরুক য়াখিবা কন্টিজেন্টশিংদা শরুক য়াখিবগী শকখঙচেশিংসু য়েন্থোকখি।

থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা দি সী, ককচীং টি ঐচ কিরনকুমারনা হায়খি, ইশাগী লৈঙক্লোন চৎনখিবগী ৬৮ শুবা থৌরম অসিদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মশীং য়াম্লবা মীয়াম থোরক্তুনা শরুক য়াবীরবা অমসুং পূক্নিং থৌগৎপীরবা অসি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই। তুং কোয়নসু মীয়ামগী তেংবাঙ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্দা মতেং পাংবীরকখিগনি হায়বগী থাজবসু থমজরি। নৌনা শেন্লবা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মীয়ামগী অপাম্বা অনীংবা কয়া লৈরমগনি। অফবা লৈঙাক, অফবা লো এন্দ ওর্দর, অনা-লায়েংশঙ কয়া শেমগৎ শাগৎনিংলমগনি। অদুমকপু অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইবনিনা অৱাৎ-অপা কয়া লৈরি। পুম্নমক অসি শেমগৎ শাগৎনবগী মঙ মঙলি শেমগৎনবসু মীয়াম পুন্না খুৎশম্নদুনা শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনমিন্নসি। মীয়াম অমসুং ওফিসলশিংনা শেঞ্জা-থুমজা লৈতনা থবক থৌরমশিং পাঙথোকমিন্নবা মথৌ তাই।

ইলেক্টেদশিংনসু তুংগী অশানবা মীৎয়েংদা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীবা মথৌ তাই। ইশা ইশাগী ইথৌদাংশিং মশক খঙমিন্নদুনা থবক ওইনা অমত্তা ওইনা পুন্না পাঙথোকমিন্নরবদি অতৈ মণিপুরগীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী মাঙজিল থানা চাউখৎপা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ককচীং এ সীগী এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্র অমসুং ৱাবগাই এ সীগী এম এল এ, এম দি ফজুর রহিম, ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংগী চ্যেরপার্সন, ভাইস চ্যেরপার্সন, কাউন্সীল্লরশিং, উপ-অধক্ষা, প্রধানশিং, এক্স-এম এল এশিং, এস পি, ককচীং এস গৌতম, এস দি ও, ককচীং অঞ্জলি চোংথাম, এস দি ও, ৱাইখোং পি লেনিন, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিং অমসুং ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিটিগী অকনবা ঙাক-শেনগা লোয়ননা ঙরাং অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি প্লেগ্রাউন্দদা ৬৮ শুবা রিপব্লিক দে সেলেব্রেসন থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে।

ঙরাংগী থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার, জিরিবাম ডা. হর্মিট সিংহ পহুজা, আই এ এসনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা অমদি ৭ শুব আই আর বি, ৮৭ শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফ, ৭ শুবা আই আর বিগী বেন্দ পার্টি, মণিপুর পুলিস, ভি দি এফ, ৭ শুবা আই আরবি কলচরেল ট্রুপ, ৩৭ শুবা এ আরগী বেন্দ পার্টি, ফায়র সার্ভিস অমদি জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী টিমনচিংবা কন্টিঞ্জেন্ট কয়ানা শরুক য়াখিবা মার্চ পাষ্ট কন্টিঞ্জেন্ট অদু দি সীনা সলামি ওকখি। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী কন্টিঞ্জেন্টশিং অদু আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়া, জিরিমদগী হৌরক্লগা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দ তম্না লাক্তুনাা দি সী জিরিবামনা সলামি ওকখি, পেরেদ কম্মান্দরনা ৭ শুবা আই আর বিগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট অকোইজম সদানন্দনা ওইখি।

পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. হর্মিট সিংহ পহুজা, আই এ এস, দি সী, জিরিবামনা হায়খি, অহানবা ওইনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ওল্লকপদগী রিপব্লিক দে থৌরম য়াওবীরিবা মীয়াম্বু য়াইফ পাউজেল পীজরি অমদি থাগৎচরি। জিরিবামনা মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরকপগা লোয়ননা অনৌবা থৌদাং কয়া লাক্লি। পুলিস এদমিনিষ্ট্রেটিব অমদি দিপার্টমেন্টশিংগী হেদশিংনা থৱায় য়াওনা থবক তৌদুনা হেন্না চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবীরকখিনি থাজৈ। জিরিবামবু হেন্না চাউখৎপা ওইনবা হোৎনবদা স্কুল, কোলেজ, মেদিকেল ফেসিলিটি অমদি বেঙ্কিং ফেসিলিটি হেন্না ফহনবা মথৌ তাই হায়খি। লোয়ননা এদমিনিষ্ট্রেটিবদা থাজবা থম্বীবগা লোয়ননা কম্যুনিটিশুনা লৈরিবা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা, নুংঙাই য়াইফনা পুন্না হিংমিন্নদুনা চাউখৎপা লমদম অমা পুরক্লবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা এ দি সী, জিরিবাম রঞ্জন য়ুম্নাম, এস পি, জিরিবাম হোপসোম সাপম, এ সী, এন জি জোগেন্দ্রো খুমনচা, মণিপুর পুলিস ওফিসরশিং, ওফিসকী হেদ ওফিসরশিং, ৮৭ শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী সী ও সুনিল কুমার, ৭ শুবা আই আর বিগী সী ও লোখো, বি এস এফ অমদি ৩৭ শুবা এ আরগী ওফিসরশিংসু শরুক য়াখি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতসু ঙরাং রিপব্লিক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙ্গলদুনা দি সী, কাংপোকপী টি রঞ্জিৎনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মীয়ামগীদমক থবক কয়া পায়খৎলি। বন্দ অমদি ব্লোকেদনা ষ্টেট মেছিন্নরিগী থবক্তা অপনবা কয়া পী। মীয়ামদসু অৱাবা কয়া মায়োক্লে। ঈং-চিক্লা ৱারী শানরগা সোল্যুসন পুরকপা ঙম্লোইদবা লৈতে। নীংথিনা ঈং-চিক্লা ৱারী শানবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা বেন্দ দিসপ্লে, মার্চ পাষ্ট, যোগ দেমোনষ্ট্রেসন, কলচরেল আইটেমনচিংবা কয়াসু উৎখি। ভিলেজ চীফ কয়াদা অঙাঙবা সোল খুদোল তমদুনা ঈকায়খুম্নখি। এ দি সী, কাংপোকপী মনিহার, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী চ্যেরমেন অমদি মেম্বরশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসর কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

# 'এম পি টি সীগী প্রসিদেন্ট হাপ্লে, পার্টি কনখৎনবা হোৎনগনি'

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস): ওল ইন্দিয়া তৃণমুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিগী অয়াবা মতুংইন্না টি রোবিন্দ্রোবু ঙসিদগী মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস (এম পি টি সী)গী প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্পগী ওর্দর থোকখ্রে। পার্টি অসিগী মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনরগনি হায়না এ আই টি সীগী ওবজার্ভর শমরাট তোপাদারনা ঙসি ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এম পি টি সীগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা শমরাট তোপাদারনা হায়খি, তৃণমুল মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বীনা পার্টি অসিবু থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মহাক্লা পার্টি অসি থাদোকখ্রবা মতুংদা এ আই টি সীগী লুচিংবী মমতা বেনর্জিগী এপ্রুবেল মতুংইন্না টি রোবিন্দ্রোবু এম পি টি সীগী প্রসিদেন্ট ওইনা হাপখ্রে।

হৌখিবা এসেমব্লী মীখলদা মণিপুরগী মীয়াম্না তৃণমুলগী মীহুৎ কয়া থাগৎপীরকখি। অদুবু পার্টি অসিদগী মায় পাক্লবা মীহুৎশিং অদু মশা-মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন মতুংইন্না অতোপ্পা পার্টিদা য়াওনখি। এম পি টি সীগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎনবা হোৎনরগনি। লাক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখল অসিদসু তৃণমুল কোংগ্রেসকী মীরেপশিং থাদোক্কনি।

মণিপুরদা হৌখিবা চহী ১৫ রোম অসিদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়দুনা লাক্লি। মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকপা অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী লমদদি থোইদোক্লা য়াংশিনবা উদে। বি জে পি পার্টিসু মীখল মমাঙদা ঙাঙথোকখিবা ৱাফম কয়া মীখল মতুংদা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদবগী ফীভম লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এম পি টি সীগী প্রসিদেন্ট ওইখ্রবা টি রোবিন্দ্রোনা হায়খি, তৃণমুল কোংগ্রেসনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসি মায় পাক্লা থেংননবগীদমক শেম শারি। পার্টি অসিনা মীয়ামগীদমক চপ চানা থবক তৌগনি। লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা তৃণমুলদা মীরেপ ওইগদবা কয়া লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ৱার্দ মেম্বর ১০ বি জে পিদা য়াওখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তেকচম গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ মেম্বর ১২ লৈবগী মনুংদা ৱার্দ মেম্বর ১০ বি জে পিদা য়াওরকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম হেমন্তনা অথোইবা অতিথি ওইনা তেকচম মমাঙ লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পঞ্চায়ট অসিগী প্রধান ওইরিবা ৱাংজিং-তেন্থা বি জে পি মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল ফুলোজাওনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। বি জে পিদা য়াওখ্রবা তেকচম জি পিগী ৱার্দ মেম্বর ১০ অদুদি, এম নোলিনি, এল থোইবী, পি ঐচ ইবোমচা, সী ঐচ বোই, এল রোনেন্দ্রো, এস থোইবী, এন গৌরমনি, দব্লিয়ু ইবোসনা, এস ইবেমনুংশি, এস শান্তিনি। থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম হেমন্তনা ইকনমিক ব্লোকেদ অমদি হীরম কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। ব্লোকেদকী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা সেন্টরদা তায়নদুনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা এল ফুলোজাওসু ৱা ঙাঙখি।

# দিক্টেক্টর ওইবা য়ু এন সীদা সরেন্দর তৌরোই : আনন্দ

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস): এন এস সী এন (আই-এম)না দিক্টেক্টর ওইবা ইকনমিক ব্লোকেদতা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা সরেন্দর খক তৌরোই হায়না নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এ, আর কে আনন্দনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা এম এল এগী য়ুমদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, ইকনমিক ব্লোকেদনা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে। এন এস সী এন (আই-এম)গী পোলিটিকেল ৱিং ওইরিবা এন পি এফনসু ষ্টেট অসিবু থুগায়নবা থৌরাংশিং পায়খৎলক্লি।

সিজ ফায়র তৌনরিবা অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তনি। এন এস সী এন (আই-এম)না নোংমৈ পায়রগা গাড়ীদা নোংমৈ কাপশিল্লি। মসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা উশিন্নদনা লৈবগুম তৌরি। ষ্টেট লৈঙাক্লা য়ু এন সীবু অনলোফুল ওর্গনাইজেসন্নি হায়না লাউথোরকপসু য়াই। গাড়ীদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদু এন এস সী এন (আই-এম) ননি হায়বা খঙলবসু সেন্টরনা খঙশিন্নদনা লৈশিল্লি। ব্লোকেদ লোইশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি সেন্টরগী খুৎতসু য়াম্না লৈ।

বি জে পিনা কোংগ্রেস পার্টিদা চার্জ কয়া তৌদুনা লাক্লি। এন এস সী এন (আই-এম) না নাগা ইন্টিগ্রেসন-গীদমক মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শিংনবা লেপত্রি। মণিপুর লৈঙাক্লা টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা কম্প্রোমাইজ তৌরোই।

এন এস সী এন (আই-এম)গা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনখি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বদু খঙহন্দনা অরোনবা এগ্রিমেন্ট ওইনা ইনখিবনা মীয়ামদা অকিবা ফাওহল্লে। অরোনবা এগ্রিমেন্ট থম্বীগনু। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদু মীয়ামদা উৎপা ঙম্লোইদবা ওইরবদি মদু হন্দোকপনা ফগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস, বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ঙসি ক্যাম্বা শঙলেন, বিষ্ণুপুর কৈথেলদা সিষ্টেমেটিক ভোটর এদ্যুকেসন এন্দ ইলেক্টোরেল পার্টিসিপেসন এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ফোর পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ পাঙথোকখ্রে।

দি আই ও, বিষ্ণুপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর এম হরে কৃষ্ণনা প্রিসাইদ তৌখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরুওইবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ভোটরস গাইদসু রিলিজ তৌখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন কয়ানা শরুক য়াখি। ঈ ভি এম অমদি ভি ভি পেটকী দেমোনষ্ট্রেসনসু পাঙথোকখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দিফরেন্টলি এবল্ড ওইবা ভোটর ১৩৯৭ লোম লৈরি।

অমরোমদা, দি আই ও, বিষ্ণুপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস, বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মীখলদা মথৌ তৌগদৌরিবা নুপী ওফিসলশিংগী ওইবা ইলেক্সনগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। পোল্লিং ওফিসর অমদি প্রিসাইদিং ওফিসর ওইনা লাক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখলদা মথৌ তৌগদৌরিবা নুপী ওফিসলশিংগী ওইনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি। অহানবা ফেজগী ওইনা পাঙথোকপা ট্রেনিং অদু হয়েং ফাওবা চৎথগনি। ট্রেনিং মনুংদা এক্সপার্টশিংনা ঈ ভি এম অমদি ভি ভি পেট শীজিন্নবগী মতাংদা তাকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসকী মায়কৈদগী পোল্লিং পার্সনেল অমদি প্রিসাইদিং ওফিসরশিংগী তঙাইফদবা থৌরাংশিং লৌখৎলি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দি আই সী ওফিস, সার্ক্যুইট হাউস অমদি এস এস এস হোলদা ট্রেনিং ভেন্যুশিং ওইরি। ট্রেনিং অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নুপী ওফিসল কয়ানা শরুক য়ারি।

# মাইবী জগোয়, থাঙ লৈতেং উৎখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস): থাইলেন্দগী সুরিন প্রোভিন্সতা পাঙথোকপা সুরিন ইন্টরনেসনল কলচরেল এক্সচেঞ্জতা শরুক য়ারিবা মণিপুরী জগোয় মরুপকী টিমনা মাইবী জগোয় অমদি থাঙ লৈতেং উৎখ্রে।

সুরিন ইন্টরনেসনল কলচরেল এক্সচেঞ্জতা শরুক য়াখিবা মণিপুরী জগোয় মরুপকী টিমনা ঙসি নুংথিল শ্রিখুরাফুম কেষ্টন সুরিনদা মাইবী জগোয় অমদি থাঙ লৈতেং উৎখি। অয়ুক্কী মতমদনা চোন্স্প্রা প্রসাশন স্কুলদা মাইবী জগোয় অমসুং থাঙ লৈতেং উৎখি। ইন্টরনেসনল কলচরেল এক্সচেঞ্জগী মনুং চন্না ঙরাং টিম অসিনা সুরাৱিক্তাকন স্কুলদা পার্ফোর্মেন্স উৎখি। নুংথিলগী মতমদা সুরিন ন্যু পার্কতসু উৎখি। মদুদা প্রোভিন্স অদুগী মেয়রনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। কলচরেল ফেষ্টিবেল অসিদা ইন্দিয়াদগী টিম অনী য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১১১ রোমদগী কলচরেল টিমশিং শরুক য়ারি। ভলগেরিয়া, বাংলাদেশ, গ্রীস, কম্বোদিয়া, টর্কি, পোলেন, আইলেন্দ, ইন্দোনেসিয়া, চিনা, ইটালি অমদি থাইলেন্দনচিংবা লৈবাক কয়াসু শরুক য়ারি। ফেষ্টিবেল অসিগী থা অসিগী ৩১ দা লোইশিনগনি।